

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, THURSDAY, AUGUST 08, 2019 PAGE 7**




*অসাম ক্রিকেট কাউন্সিলগী অনৌবা হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা মমাঙদা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন ওইরম্বা অজয় রত্র*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা ফোরৱার্দ ওইনা শান্নরম্লবা মতুং মশান্না অসিগী পোৎখাখ্রবা উরুগ্বে মচা দিএগো ফোরলান*

## মেরি কোম অমদি লোভলিনা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
সিক্স টাইম ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন এম সি মেরি কোম অমদি লোভলিনা মখোয়–মখোয়না হন্দক্তা পীখিবা পার্ফোমেন্স য়েংলগা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখ্রে। মমাঙদা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর নিখট জারিনগী ওইনদি ত্রাইয়েল পাঙথোক্লবা মতুংলেপক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মশাগী চহী ৩৬শুরবী এম সি মেরি কোম চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন অমদি ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টশিংদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবনি।

মেরি কোম মমাঙদা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শান্নরম্বা অদু কেজি ৩ হেনগৎলগা কেজি ৫১ দা শান্নরিবনি।

ৱার্ল্ড অমদি এসিয়ান ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট লোভলিনা বোরগোহেননা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপীগী কেজি ৬৯ দা শরুক য়াগনি।

মশাগী চহী ২৩শুরবী নিখট জারিনসু কেজি ৫১ দা শান্নরিবনি। মহাক হন্দক্তা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা বোক্সিং টুর্নামেন্টতা সিলভর মেডল ফংখিবনি। কেটেগোরি অসিদা নিখট জারিননা তরুক্কুক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মেরি কোমবু চেলেঞ্জ তৌবা পাম্লি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

*দুরান্দ কপ ২০১৯*

## রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু ১–০ দা থোইখ্রে

*কল্যানি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ১২৯শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু গোল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিটি কল্যানিদা লৈবা কল্যানি ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ 'সি' গী রিয়েল কাশ্মীর অমদি চেন্নাই সিটিনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা রিয়েল কাশ্মীরগী মায়কৈদা এটেক কয়া চত্থদুনা লাকখিবশিং অদু মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লাকখি।

টিম অনী অসি আই লীগকী মমাঙগী সিজনগী মেটচশিংদা মায়োক্লখিবদসু রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু দোমিনেন্ট তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু চেন্নাইনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।



*রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংনা গোল চল্লবা মতুং হরাওবা উৎপা*

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু চেন্নাই সিটিগী দিফেন্দরশিংনা মতাং মতম চানা থেংনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

মতম কুইনা শান্নরক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্লদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা রিয়েল কাশ্মীরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দেনিস ফারুকনা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা রিয়েল কাশ্মীরনা চেন্নাই সিটিবু গোল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি।

চত্থরিবা দুরান্দ কপ অসিদা ক্লব ১৬ না গ্রুপ ৪ থোক্লা শান্নরি। টিম খুদিংমক্না মেটচ ৩ / ৩ শান্নরবা মতুং গ্রুপ অমমমদগী মকোক থোংবা টিমশিং অদু নোক ষ্টেজ য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গোৱানা আর্মি গ্রিনগা থেংনরগনি।

## অরোইবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা সেরিজ ৩–০ দা লৌখ্রে

*গুয়ানা, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ৩–০ দা লৌখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজ টুর অসিগী মনুং চন্না মমাঙদা শান্নখিবা টি–২০ সেরিজ অসিগী মেটচ অনীদা ইন্দিয়ানা অনীমক মায় পাক্তুনা সেরিজ মাঙজৌননা ২–০ দা লৌবা ঙমখ্রবনি।




*টি–২০ সেরিজ লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

মেটচ অহুমগী টি–২০ সেরিজ ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অসিগী টোস ইনিদয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৬ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। শুপ্নগী রন ১৪ শুরকপদা বেটসমেন ৩ আওট তাখি। ওপনর ইভিন লেৱিস রন ১০ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন কৈরোন পোল্লার্দ অমদি নিকোলাস পুরান্না ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। নিকোলাস পুরান বোল ২৩ দা সিক্স অমা অমদি ফোর অমা য়ৈরগা রন ১৭ তা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রোভমান পোৱেলনা ফিভম ফজনা লৈরিবা কৈরোন পোল্লার্দকা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লাম্থোকহনখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কৈরোন পোল্লার্দনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৫৪ দা সিক্স ৬ অমদি ফোর অমা লৈরম্লগা মশাগী রন ৫৮ শুরকপদা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন কার্লোস ব্রাইৱাইটেসু শুপ্নগী রন ১০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৱেষ্ট ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু লোইশিনখিবদা রোভমেন পোৱেল অমদি ফাবিয়ান এল্লেন মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৩২ অমদি ৮ লৌদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা দিপক চাহরনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনবা ঙমখি। টিমমেট নভদিপ সাইনিসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমদুনা শীংথাবা য়াবা ওইখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ১৪৭ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন ৩ খক আওট ওইরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা রন ১৫০ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাক্তুনা সেরিজ ৩–০ দা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন শুপ্নগী রন ৩ দা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা অতোপ্পা ওপনর লোকেস রাহুলগা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা খোঙজেল য়াঙনা লৌনবা হোৎনরকখি। রাহুল বোল ১৮ দা সিক্স অমা অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইখিবা রিসব পন্টনা ভিরাট কোহলিগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা রন ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু বোল ৪৫ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা বোল ৪২ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬৫ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিনা মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা টি–২০ সেরিজ অসিগী অহুমশুবা মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর দিপক চাহরনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি। ইন্দিয়াগী বেটসমেন ক্রুনাল পান্দিয়ানা প্লেয়র ওফ দি সেরিজগী মনা লৌখি।

## ফিফানা আই লীগকী ক্লবশিংবু এ আই এফ এফকা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়খ্রে

*লোজেন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি ফিফানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলবু শৌগৎলতুনা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিম চাওখৎনবা শিল্লিবা অতেনবা মতমগী থৌশিল অসিদা আই–লীগকী ক্লবশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী আই–লীগ চেম্পিয়ন মিনর্ভা এফ সিনা লুচিংদুনা ক্লব ৬না এ আই এফ এফনা লেপখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগপু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ ওইহল্লগনি হায়বগী ফিরেপ অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ফিফানা মিনর্ভা এফ সি দা থাবা চিঠি অমদা হায়, এ আই এফ এফনা কুমজা ২০১৮ দা লেপ্পখিবা ৱারেপ অদুগী মখা তানা খন্নগদবা কয়ামরুম ৱাংলি। মসিগা মরী লৈননা এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্টনা তোঙান–তোঙানবা ক্লবশিংগী ষ্টেক হোল্ডরশিং উন্নদুনা তুং কোইবা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা কন্না হোৎনরিবনি।

মরম অসিনা এ আই এফ এফনা নাকল অনীমক্কী য়েংদুনা য়াইফনবা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফিফাগী এক্টিং দিপ্যুতি সেক্রেটরি জেনরেল মাট্টিয়াস গ্রাফষ্ট্রোমনা মখা তাখি।




আই–লীগকী টিমশিংনা তাল্লিবা আই এস এলগা পুনশিন্দুনা অচৌবা লীগ অমা ওন্থোকপা হায়বসিনি। থবক্তা ওন্থোকপদা য়ারোইদবা খরা লৈরি। ক্লবশিংনা তোঙান–তোঙানবা ক্রাইটেরিয়া কয়াসু ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই হায়না এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: MAHUD DEPARTMENT

**NOTIFICATION**
*Imphal, the 6th August 2019*

**No. 7/45/2017-MAHUD:** As an initiative to promote cleanliness in the District Headquarters, the Department of Municipal Administration, Housing and Urban Development (MAHUD),Government of Manipur will organize the "3rd State Level Swachhata Award, 2019". A survey for ranking on cleanliness of the All District Headquarters of Manipur (16 District) will be conducted on 09.08.2019 & 10.08.2019 through assessment of independent teams appointed by MAHUD Department on the following parameters:

| No. | Area of Evaluation | Weightage |
|---|---|---|
| 1 | Swachhata Pledge | 10 |
| 2 | Campaigns on General Cleanliness/ Hygiene and sanitation | 20 |
| 3 | Cleanliness of Market areas | 60 |
| 4 | Cleanliness of Roads | 40 |
| 5 | Cleanliness of DC Office Complex and other offices | 65 |
| 6 | Cleanliness of Schools and Colleges | 45 |
| 7 | Cleanliness of PHC / PHSC, CHC, Hospitals at DHQ | 65 |
| 8 | Cleanliness of Public Toilets | 55 |
| 9 | Collection and Disposal of Solid Waste | 120 |
| 10 | Citizen Grievances redressal system either at District Administration or Local Body (relating to cleanliness & sanitation) | 20 |
| 11 | Open Defecation Free (ODF) status (District HQ) | 40 |
| 12 | Cleanliness of Religious Place | 40 |
| 13 | Innovative Practice | 20 |
| | **Total** | **600** |

The detailed break-up for assessment and other relevant information is enclosed as Annexure-1, and can also be obtained from Manipur Urban Development Agency's website www.muda.mn.gov.in.

2. The result of the assessment will be announced immediately after the survey through wide publication in printed and electronic media. Awards will be distributed during the Independence Day celebration on 15th August, 2019.

3. All concerned departments are requested to kindly support and participate in the survey for ranking of the District Headquarters in order to make the "3rd State Level Swachhata Award" a grand success.

Sd/-
**(M. Joy Singh, IAS)**
Commissioner (MAHUD)
Government of Manipur

SL/5191/08

## সুব্রোটো কপ ওগষ্ট ২০ দগী হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা য়ূঠ ফুটবোল টুর্নামেন্ট সুব্রোটো কপ দাইমন্দ জুবিলি ইদিসন থা অসিগী ২০ দগী টিম ১১২ না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা হৌদোক্লগনি।

টিম ১১২ অসিগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল টিম ১৬ য়াওরি। টুর্নামেন্ট অসিদা কেটেগোরি অহুম খাইদোক্লি। কেটেগোরিশিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজ য়ু–১৪, জুনিয়র য়ু–১৭ বোইজ অমদি গালর্সকী কেটেগোরিনি।

সুব্রোটো কপ অসি সুব্রোটো মুখরজি স্পোর্টস ইদুকেসন সোসাইটি ( এস এম এস ই এস) না এয়র ফোর্স স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা শিনবনি। টুর্নামেন্ট অসি মিনিষ্ট্রিজ ওফ য়ূঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না সপ্পোর্ট তৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এয়র মার্সেল পি পি বাপটনা চীফ গেষ্ট ওইগনি অদুগা মমাঙদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা দালিমা সিব্বরনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

জুনিয়র বোইজ অমদি গালর্সকী চেম্পিয়ন্না শেলগী মনা ওইনা লুপা ৪,০০,০০০ ফংগনি। অদুগা সব জুনিয়রগী চেম্পিয়ন্না লুপা ৩,০০,০০০ ফংগনি।

ক্রোসৱার্দ ২৪৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | O | T | E | | P | O | S | E | | E | M | I | T | S |
| S | L | U | R | | A | N | T | E | | R | O | S | I | E |
| P | E | R | E | N | N | I | A | L | | A | L | L | E | N |
| S | O | N | | O | D | O | R | | A | S | T | E | R | S |
| | | | S | T | O | N | E | A | G | E | | S | S | E |
| E | A | S | I | E | R | | | C | U | R | D | | | |
| G | L | E | E | | A | L | O | H | A | | E | D | G | E |
| G | O | E | S | | | E | W | E | | | T | R | A | Y |
| S | E | N | T | | S | A | N | D | S | | E | A | V | E |
| | | | A | L | P | S | | | T | A | S | T | E | S |
| I | R | A | | O | U | T | S | M | A | R | T | | | |
| S | E | C | T | O | R | | H | A | R | E | | D | E | M |
| L | A | I | R | S | | T | A | N | T | A | L | I | Z | E |
| E | D | D | I | E | | I | D | O | L | | O | A | R | S |
| T | Y | S | O | N | | M | E | R | E | | B | L | A | H |

## য়ু এসকী সোফিয়া কেনিনা নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীরম্লগা রোজর্স কপগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*টোরোন্টো, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
কানাদাগী সিটি অনী মোন্ট্রিয়েল অমদি টোরোন্টোদা চত্থরিবা এ টি পি অমদি দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট রোজর্স কপকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এসকী শান্নরোই সোফিয়া কেনিননা নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু অনীশুবা রাউন্দদা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ু এসকী সোফিয়া কেনিননা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা য়ু এসকী কেনিনবু ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতগী হৌরগা য়ু এসকী কেনিন্না য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা লেমহৌরিবা সেট অনী অদু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।




রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা য়ু এসকী দি লোরেঞ্জোবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেক রিপব্লিক্কী মেরি বৌজকোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা ইটালিগী কামিলা জিওর্জিবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা বৃটেনগী সি নোরিবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৭–৪), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিগা শান্নরগনি।

১৩শুবা সিদেদ জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই জে এল ষ্টুফপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২–৬, ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

## হায়দর্বাদ ওপনদা সৌরভ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে সমির অমদি প্রনোই অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

*হায়দর্বাদ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ*
তেলঙ্গানাগী কোনুং হায়দরবাদতা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা হায়দর্বাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্ম মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, সমির ভর্ম অমদি ঐচ এস প্রনোই অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবানুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা থাইলেন্দগী নামকুল অদুলরাকপু ২১–১৭, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী অজয় জয়াররামনা মালেসিয়াগী টেক ঝি সুবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–৩, ২১–১৪ দা থোইদুনা মহাকসু নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির ভর্ম ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা কোরিয়াগী শান্নরোই হিও ক্বাং হিগী মখূত্তা ১৮–২১, ১১–২১ দা মায়থিহৌখি।

ঐচ এস প্রনোইসু ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী টান জিয়া ৱৈগী মখূত্তা ১৭–২১, ১০–২১ দা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

হায়দর্বাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মুঘদা এগ্রে ইন্দোনেসিয়াগী য়ুলিয়া য়োসেফিন সুসান্টোগী মখূত্তা ১১–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী অতোপ্পা সিঙ্গলস শান্নরোই অসমিতা চালিহাসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লি য়িং য়িংগী মখূত্তা ১৩–২১, ২১–১৯, ১৭–২১ দা মায়থিহৌখি।

শ্রী কৃষ্ণ প্রিয়াসু অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই কি জুফেগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ১৫–২১, ১০–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।